


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, WEDNESDAY, SEPTEMBER 05, 2018 PAGE 7


*য়ু এস ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসকি মরিশুবা রাউন্দদা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু মায়থিবা পীরম্লা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেন*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগকি মরুওইব ক্লব অমা ওইরিবা চেন্নাইইন এফ সিগী কেপটেন ওইবগী থৌদাং শিন্নখ্রবা ব্রাজিল মচা মেলসন অলভেজ*

## আইএসএসএফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ওম প্রকাস মিথরৱাল গোল্ড মেদল ফংখ্রে

*চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*



সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা ৫২শুবা ইন্টরনেস্নেল সুট্টিং স্পোর্টর্স ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী নুপাগী মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টতা মশাগী চহি ২৩খক্তা ঙাইরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর ওম প্রকাস মিথারৱালনা স্কোর ৫৬৪ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইবদগী শিংথানিঙাই ওইবা গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

গোল্ড কোষ্টতা চহিসিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ট গেমসকি মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল অমসুং মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টতসু মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

আই এস এস এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অসিগী নুপাগী মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্টকি সিলভর মেদলনা অপুনবা স্কোর ৫৬২ ফংখিবা সর্বিয়াগী দামিক মিকেক না ফংখি। ব্রোঞ্জ মেদলনা চেম্পিয়নসিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক সাউথ কোরিয়াগী সুট্টর দেমযুঙ লীনা স্কোর ৫৬০ ফংবদগী লৌখি। শক্নাইরবা ইন্দিয়াগী সুট্টর রিতু রাইদি স্কোর ৫৬২ খক ফংবদগী ইভেন্ট অসিদা ১৭শুবা মফমদা লৈহৌরে।

মিটর ৫০গী পিষ্টোল ইভেন্ট অসিমক্কি টিম ইভেন্টতদি ইন্দিয়া টিম মঙাশুবা মফমদা লৈহৌরে। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অদু মিথারৱান, রাই অমসুং মঞ্জিৎনা শেম্বনি। টিম অসিনা অপুনবা স্কোর ১৬৫৮ খক্তমক ফংখি। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম অসিদা শরুক য়াখিবা মঞ্জিৎনা কেটোগোরি অসিমক্কি ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা মঙাশুবা মফমদা লৈহৌখি।

চথরিবা চেম্পিয়নসিপ অসি ২০২০ ওলিম্পিকক্কী অহানবা ক্বালিফাইয়িং ইভেন্টনি অদুবু মিটর ৪০গী পিষ্টোল ইভেন্ট অসি পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসকি রোষ্টর ওইদ্রবনা ওলিম্পিক কোটা খুদোংচাবা লৈত্রে।

অমরোমদা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ওলিম্পিক কোটাগী পানরম্বী ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকরনা অপুনবা স্কোর৫৭৪ ফংদুনা ১৩শুবা মফমদা লৈহৌরে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সুট্টর হীনা সিন্ধুসু মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিদা অপুনবা স্কোর ৫৭১ খক ফংবদগী ২৯শুবা পোজিসনদা লৈহৌরে।

ভাকল, সিন্ধু অমসুং স্বেটা সিংহনা শেম্বা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা অপুনবা স্কোর ১৭১৩ ফংবদগী মরিশুবা মফমদা লৈহৌরে।

## এসিয়ান গেমসকি মেদলিষ্টশিং শেলগী মনা পীদুনা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ওকখ্রে

*নিউ দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা মেদল লৌরকখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং শেলগী মনা পীদুনা ঙসি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ওকখ্রে।

গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৫, সিলভর ২৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩০ পুন্না মেদল ৬৯ ফংদুনা গেমস অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী য়াম্না মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

মেদল ফংলকখিবা শান্নরোইশিং ওত্তুনা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহ, য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভরধন সিংহ রাথোর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজু, মহেস শর্ম্মা, য়ুনিয়ন স্পোর্টস সেক্রেটরি রাহুল ভটনাগর, ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্রা অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ডাইরেক্তর জেনরেল নিলম কাপুরনচিংবা কয়া শরুক য়াখি।



*এসিয়ান গেমসকী মেডালিষ্ট ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যভর্দন রাথোর অমসুং এথলিটশিং*

গোল্ড মেদল ফংলকপা শান্নরোই খুদিংমক্তা শেলগী মনা ওইনা লুপা ৪০,০০,০০০ পীখি। সিলভর মেদলিষ্টশিংদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ২০,০০,০০০ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপা শান্নরোইশিংদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা ১০,০০,০০০ পীখি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা মেদল ফংলকপা শান্নরোইশিংবু পুক্নিং থৌগৎলদুনা হায়খিবদা ইন্দিয়ানা মালেমগী স্পোর্টসতা মীকোক থোংবা লৈবাকশিংগা লম্বা মায়োক্নবা য়াবগী পাঙ্গল লৈরে। মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ান গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা পীখিবা পর্ফোমেন্স অদু য়াম্না শিংথানিঙাই ওইখি। ইন্দিয়া অথুবা মতমদা মালেমগী ইকোনোমিক সুপর পৱার ওইবদা নত্তনা স্পোর্টসকি সুপর পৱার সু ওইরগনি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাথোরনা স্পোর্টসকিদমক হোৎনরিবা অসি ইন্দিয়ান পুম্নমক্না চাউথোকচনিঙাইনি হায়খি।

### *হিমা দাসতা লুপা ১.৬ ক্রোর পীরগনি*

*গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

*আসামগী গোল্ডন গর্ল হায়না মিংথোন পীখ্রবা লমজেল্লোই হিমা দাসতা আসাম লৈঙাক্না শেলগী মনা ওইনা লুপা ১.৬ ক্রোর পীরগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱালনা লাওথোকখ্রে।*

*হন্দক্তগা লোইশিনখিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা নুপীগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা হিমা দাসনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।*

*পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা নেস্নেল রেকোর্দকা মান্ননা ৫০.৭৯ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা সিলভর মেদলগী মনা অদু লৌখিবনি। শেলগী মনা খুৎশিন্নবগী থৌরম গুৱাহাটিদা লৈবা শ্রীমন্তা শঙ্গরদেব কালাক্ষেত্রদা সেপ্তেম্বর ৭দা পাঙথোক্কনি।*

## এসএএফএফতা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ২০গী মমিং লাওথোকখ্রে
## য়ুম্বু বাংলাদেস অমসুং পাকিস্থান মখোয়-মখোয়গী অহানবা মেটশিং মায় পাকখ্রে

SAFF SUZUKI CUP 2018

*ধাকা, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

বাংলাদেসনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌখিবা সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এস এ এফ এফ) চেম্পিয়নসিপ কপ ২০১৮দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ২০গী মমিং লাওথোকখ্রে। অহৌবা নুমিৎতা য়ুম্বু বাংলাদেস অমসুং পাকিস্থান মায় পাকখ্রে।



*সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ট্রেনিং চথবা*

ইন্দিয়াগী শান্নরোই ২০না শেম্বা টিম অদুদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংদি গোলকিপ্পরদা বিসাল কাইথ, কমলজিৎ সিংহ অমসুং সুখদেব পাটিলনি। দিফেন্দরদা দাভিন্দর সিংহ, সলাম রঞ্জন সিংহ, সারথাদ গোলুই, সুবাসিস বোস (কেপটেন), মোহম্মদ সাজিদ ধোট অমসুং জেরি লালরিনজ্বালানি। মিদ ফিল্ডরদা নিখিল পুজারী, ভিনিট রাই, জরমনপ্রিট সিংহ, অনিরুদ থাপা, লালিয়ানজ্বালা সাংটে, অসিক কুরুনিয়ান অমসুং ভিকনেস দিনি। ফোরৱার্দতা সুমিট পাসি, হিটেস শর্ম্মা, মনভির সিংহ অমসুং ফারুক চৌধারিনি। অদুগা টিম অসিগী হেদ কোচনা ষ্টেফেন কোন্সটেনটাইনা ওইরি।

এসিয়াগী লৈবাক তরেৎনা শান্নগদৌরিবা এস এ এফ এফ চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইন্দিয়ানা মালদিপস অমসুং শ্রীলঙ্কাগা গ্রুপ 'বি'দা পুল্লি।

ইন্দিয়ানা অহানবা মেটচতা শ্রীলঙ্কাগা হয়েং ধাকাদা লৈবা বঙ্গাবন্ধু নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। ইন্দিয়া অমুসং শ্রীলঙ্কাগা শান্নগদবা মেটচ দি দি স্পোর্টসতা শন্দোক্কনি।

ইন্দিয়া টিমগী হেদ কোচ ষ্টেফেন কোন্সটেনটাইনা ফোঙদোকখিবদা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি এসিয়ান কপকিদমক য়েংলগা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নবগী খুদোংচাবা পীখিবনি।

গ্রুপ 'এ'দা য়ুম্বু বাংলাদেস, পাকিষ্টান, নেপাল অমসুং ভুটাননা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইননবগীদমক শান্নগদৌরি।

এস এ এফ এফ চেম্পিয়নসিপ অসিগী গ্রুপ 'বি'গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু বাংলাদেসনা ভুটানবু পাঙ্গল ২-০দা মায়থিবা পীরমখি। বাংলাদেসকি অহানবা পাঙ্গল অদু শান্নবগী অহুমশুবা মিনিটতা টিম অসিনা ফংখিবা পেনালটি অমগী মতেংনা বরমননা চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনিশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকিনা ৪৭শুবা মিনিটতা বাংলাদেসনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা সুফিলনা পাঙ্গল অমগা হাপচিন্দুনা ২-০দা হেন্দুনা চৎখি। মেটচকি মখা তাবা লেহৌবা মিনিট ৪৩রোমগী মতমদা টিম অনিগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অদু বাংলাদেসনা ভুটানবু পাঙ্গল ২-০দা মায়থিবা পীরমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা পাকিস্থাননা নেপালবু ২-১দা মায়থিবা পীরমখি।

মেটচকি অহানবা পাঙ্গল অদু শান্নবগী ৩৬শুবা মিনিটতা পাকিস্থাননা ফংখিবা ফজরবা পেনালটি অমগী মতেংনা রিয়াজনা চন্দুনা ১-০দা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনিশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকি ৮২শুবা মিনিটতা নেপালগী শান্নরোই বি মাগারনা পাঙ্গল অমা চল্লগা ১-১দা মান্নহনবা ঙমখি।

ইনজুরি টাইমগী ৬শুবা মিনিটতা পাকিস্থানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মোহম্মদ অলিনা পাঙ্গল অমা হাপচিল্লগা মেটচ অদু ২-১দা মায় পাকখি।

## নেসন্স লীগকি অহৌবা মেটচতা ফ্রাঞ্চনা জর্মনিগা শান্নরগনি

*মুনিক, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

২০১৮-১৯ য়ু ই এফ এ নেসন্স লীগকি অহৌবা মেটচতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ফ্রাঞ্চনা জর্মনিগা মুনিকতা লৈবা এলিয়াজ এরেনাদা সেপ্তেম্বর ৬তা শান্নরগনি।

লীগ অসিদা য়ুরোপকি লৈবাক ৫৫না গ্রুপ ৪ থোক্তুনা শান্নগনি। কুমজা ২০১৮গী ওইনা সেপ্তেম্বর ৬দগী নবেম্বর ২০ ফাওবা লীগ ফেজ শান্নরগা কুমজা ২০১৯গী ওইনা জুন ৫দগী ৯ ফাওবা ফাইনেল লীগ শান্নগনি।

পনবা য়াই, ফ্রাঞ্চ জুন থাদা রুসিয়ান য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নমেন্টকি ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াবু মায়থিবা পীরম্লগা অনিরকশুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা কুমজা ২০১৪গী ফিফা ৱার্ল্ড কপকি চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা জর্মনি হন্দক পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদা নোক-আউথ ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিদে।

## মেলসন অলভেসনা চেন্নাইন এফসিগী কেপ্টেন ওইরগনি

*চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নমেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকি টিম অমা ওইরিবা চেনাইইন এফ সিগীদা ব্রাজিলগী মেলসন অলভেজনা কেপ্টেন ওইরগনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা ব্রাজিল মচা মেলসন অলবেজ পোর্টুগালগী ক্লব পোর্টোমোনেন্সতা মহাক্কি কেরিয়রগী অহানবা ওইনা শান্নবা য়াওরকখি। মসিদা নত্তনা পোর্টুগালগী মশক নাইরবা ক্লব কেম্পিনেন্স, পোর্টো এলেগ্রি টোমবেন্স ব্রাগান্টিনো অমসুং ব্রাজিলগী ক্লব টুপি এফ সিদা শরুক য়াদুনা শান্নরক্লবা এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি। মেলসন এলবেজ কুমজা ২০১৫দা চেন্নাইইন এফ সিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ অমসুং ইন্দিয়াগী ফুটবোল মহাও খঙখ্রবা শান্নরোইনি। মহাক মায়োক্লবা টিমগী শান্নরোইশিংনা পুশিল্লকখিবা বোলশিং নিংথিনা মায়োক্লবা ঙম্বা শান্নরোইনি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রাঞ্চকি রোজর ভেসেলিন নুপাগী দবলসকি ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলসতা রোজর ফেদরর লৈহৌরে

*নিউ য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

য়ু এস কি সিটি নিউ য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রাঞ্চকি রোজর ভেসেলিন নুপাগী দবলস কাংলুপতা ক্বার্টর ফাইনেল চংখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপতা অনিশুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মরিশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।



*য়ুএস ওপন টেন্নিসকী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং ফ্রান্সকী ভেসেলিন*

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকি অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৫শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং ফ্রাঞ্চকি রোজর ভেসেলিননা ফ্রাঞ্চকি জেরেমি চারদি অমসুং এফ মার্টিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ৭-৬(৮-৬), ৪-৬,৬-৩দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং ফ্রাঞ্চকি বেসেলিননা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা মায়োক্লগদৌরিবা মঙাশুবা সিদেদ প্লেয়র কলম্বিয়াগী জে এস কাবাল অমসুং আর ফারানা মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১১শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী ইভানদোদিগ অমসুং স্পেনগী এম গ্রানোলর্সপু ৬-২, ২-৬,৬-৩দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপতা অনিশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরক য়ারকখিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেননা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরবা মতুং ৩-৬, ৭-৫, ৭-৬(৯-৭), ৭-৬ (৭-৩)দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিল মেননা ক্বার্টর ফাইনেলদা তরুকশুবা সিদেদ সরভিয়াগী নোবাক জোকোবিসকা শান্নরগনি।

সরবিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকি মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা পোরটুগালগী জোআ সৌজাবু ৬-৩, ৬-৪,৬-৩দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা তরেৎশুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং ২১শুবা সিদেদ জাপানগী কৈনিসিকোরি শান্নরগনি। ৭শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকনা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১০শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৭-৬(৮-৬), ৬-২, ৬-৪দা মায়থিবা পীরম্বনি ।

অমরোমদা ২১শুবা সিদেদ জপানগী কৈ নিসিকোরিনা মহাক্কি মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিটগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরবু ৬-৩, ৬-২ ৭-৫দা থোইরম্বনি।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকি মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২০শুবা সিদেদ জপানগী নাউমী ওসাকানা ২৬শুবা সিদেদ বেলারসকি অরিনা সাভালেনকাবু ৬-৩, ২-৬, ৬-৪দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোগা শন্নরগনি।

য়ুক্রেনগী লেজিয়া সুরেনকোনা নুপীগী সিঙ্গলসকি মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিককি মারকেটা বোন্দ্রৌসোভাবু ৬-৭ (৩-৭), ৭-৫, ৬-২দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকি অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ য়ু এসকি মেদিসন কিস অমসুং ৩০শুবা সিদেদ স্পেনগী স্বারেসনাভারোগা শান্নরগনি।

য়ু এস কি মেদিসন কিসনা মহাক্কি মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২৯শুবা সিদেদ স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভাবু ৬-১, ৬-৩দা থোইরম্বনি। অদুগা স্পেনগী স্বারেস নাভারোনা ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২২শুবা সিদেদ রুসিয়াগী মারিয়া সারোপোভাবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরমখি।

নুপীগী দবলসকি অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র জেক রিপব্লিককি বারবোরা ক্রেসকিকোভা অমসুং কেটারিনা সিনিয়াকোভানা ৭শুবা সিদেদ বিলজিয়মগী এলিস মার্টেনস অমসুং নেদরলেন্দসকি দেমি স্কুসকা শান্নরগনি।

নুপীগী দবলসকি অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অনিশুবা সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রাঞ্চকি কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ৬শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিককি লুসি রাধেকা অমসুং রুসিয়াগী একাটেরিনা মাকারোভাগা শান্নরগনি।

## ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইন্দিয়া টুরগী অহৌবা মেটচ রাজকোর্টতা শান্নরগনি

*রাজকোট, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইন্দিয়া টুরগী মনুং চন্না শান্নগদবা অহানবা টেষ্ট মেটচ রাজকোটতা ওক্তোবর ৪দা শান্নরগনি।

মমাং চয়োলদা ৱেষ্ট ইন্দিজ ক্রিকেট বোর্দনা ইন্দিয়া টুরদা শান্নগদবা শান্নরোইশিংগী মমিং লাওথোকপদা জেসন হোল্ডরনা টিম অদু লুচিংহনখিবনি। বি সি সি আইগী সেক্রেটরি আমিটাব চৌধরিনা ইন্দিয়া অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নগদবা সেরিজ অসিগী ফিকচর ঙসি লাওথোকখিবনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইন্দিয়াদা লাক্কদৌরিবা টুর অসিদা ৱান দে মেটচ ৫, টি ২০ অহুম অমসুং টেষ্ট মেটচ ২ শান্নগনি। অহানবা টেষ্ট মেটচনা রাজকোটতা শান্নরবা মতুং অনিশুবা টেষ্ট মেটচনা ওক্টোবর ১২দগী ১৬ ফাওবা হায়দরবাদতা শান্নরগনি।

ৱান দে মেটচ মঙাগী মেটচশিংনা ওক্তোবর ২১দা গুৱাহাটিদা অহানবা ওইনা শান্নগনি। অনিশুবা মেটচনা ওক্তোবর ২৪দা ইন্দোরদা শান্নরবা মতুং অহুমশুবা মেটচনা পুনেদা ওক্তোবর ২৭তা শান্নগনি। মরিশুবা অমদি মঙাশুবা ৱানদেয়র মেটচনা মথংশিৎনা মুম্বাই অমসুং টিরুভনন্টপুরমদা ওক্তোবর ২৯ অমসুং নভেম্বর ১দা শান্নগনি।

টি ২০ মেটচশিংনা কোলকাটাদা নভেম্বর ৪, লখনৌদা নভেম্বর ৬তা শান্নরবা মতুং অরোইবা মেটচনা চেন্নাইদা নভেম্বর ১১দা শান্নগনি।

## ৱার্ল্ড হেভিৱেথ বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরম্বা মাইক টাইসন মেন্টর ওইনা মুম্বাইদা লাক্লগনি

*মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৪ঃ*

ৱার্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়ন ওইরম্বা য়ু এস এগী মাইক টাইসন মুম্বাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা কুমিট ১-লীগতা মিক্স টিম মার্সেল আর্টস লীগকি মেন্টর ওইনা মুম্বাইদা অহানবা ওইনা লাক্লগনি।

কুমিট ১-লীগ অসি ওল ইন্দিয়া মিক্স মার্সেল আর্টস ফেদরেসন (এ আই এম এম এ এফ) অমসুং ৱার্ল্ড কিক বোক্সিং ফেদরেসনগী মিৎয়েং মখাদা শিনগদবনি।

অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌবা লীগ অসিদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী টিম নিপাননা শরুক য়াগদৌরি। টিম অমমমদা ফাইটর ৯ / ৯ লৈগনি। মসিগী মনুংদা নুপী বোক্সর ২ /২ ওইগনি হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি।

কুমিট ১-লীগ অসি মুম্বাইদা সেপ্তেম্বর ২৯দগী হৌগদবনি। ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা লাক্কদৌরিবা হেভিৱেথ বোক্সিং চেম্পিয়ন য়ু এস এগী মাইক টাইসননা লীগ অসিগী ফার্ষ্ট ফাইট নাইট এটেন্দ তৌগনি।